# টাইৱানদা যুহা হাবদা মথোন ১৭কী বিল্ডিং চেপ্না কিন্থখ্রে



টাইৱান, ফেব্রুৱারী ০৬ ঃ

সাউদর্ন টাইৱানদা ঙরাং নোংঙাল্লমদাইদা থোকখিবা অথেনবা মফমদগী হৌরকখিবা কল্লবা যুহা হাবদা মী লৈনবা অৱাংবা বিল্ডিং অমা নিংখায়রগা তুখ্রে। থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখ্রে, মীওই কয়ানা হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে লোয়ননা মীওই ১০০ হেন্না থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

রিক্টর স্কেলদা ৬.৪ য়ৌখিবা কল্লবা যুহা হাবা অদুনা খ্বাইদগী শাথিনা শোকহনখিবা টাইনান (টাইৱান) সিটিদা রেস্কু ৱার্করশিংনা বিল্ডিংগী অকায়-অতোয় মরক্তগী হিংহৌবা মীওই ২৪৯ শত্তোকখি অমসুং হৌজিক মীওই ১০০ হেন্না থিবা খঙদ্রি হায়রি।

শাথিরবা যুহা হাবা অদুদা অকোর্দিয়ন অমগুম্না নাকলদা শুপথরকখিবা মথোল ১৭ ৱাংবা বিল্ডিং অদুগী লেমহৌরিবা অকায়-অতোয় মরক্তুদা ফায়রফাইটর ১,২০০ হেনবনা কৈরাক, ক্রেন অমসুং অতৈ খুৎলাই কয়াগা লোয়ননা মী কনবা অমসুং থিবগী থবকশিং চঙথখি।

লোকল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, নিংখায়রিবা বিল্ডিং অদুদা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিং অমসুং মমাশিংগী কিয়ার সেন্টর অমসুং য়াওখি। মসিদা নত্তনা অমাঙ-অতাগী থৌদোক অদুদা অঙাং অমা শিখি। লাইবক থিবা থৌদোক অদু চাইনিজ কেলেন্দরদা খ্বাইদগী মরু ওইবা ফেমিলি হোলিদে ওইরিবা লুনার ন্যু ইয়র কুম্মৈ পাঙথোক্কদবা নুমিৎ নিনিদা ঙাইরবা মতমদা থোক্লকখিবনি।

ইরাই নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ৪ (লোকল টাইম) রোম তাবদা থোকখিবা যুহা হাবা অদুদা মী অয়াম্বা তুম্লগা লৈনখি। মদু যুজিংগী খা নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ৩৬ লাপ্না লৈবা মফম (ইপিসেন্টর) অমগী মাইল তরুক হায়বদি কিলোমিটর ১০ রোম লুথবা লৈনুংদা থোকখিবনি হায়না যু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখি।

নোংঙাল্লকপগা লোয়ননা লাইভ টাইৱানিজ টি ভীদা যুহা হাবা অদুদা হিংহৌবশিংবু রেস্কু ৱার্করশিংনা অৱাংবা বিল্ডিংদগী চেকশিন্না হোনে দাকপগী শক্তমশিং উৎখি। অহল ওইরবা নুপী অমা মঙকশমদা ব্রাস ফারগা পুথোরকখি অদুগা অতৈ মীওই কয়ানা ফিজাওদা য়োম য়োমদুনা পুথোকপা উখি। শুপচিল্লবা এয়রকন্দিসনর, মেন্টেল বেলকোনি অমসুং থোঙনাওনচিংবগী অতেক-অকায় কয়া তাদুনা লৈখি।

যুহা হাবা নংলবা মীশিংনা ফায়রফাইটরশিংগী মঙকশমদা কোল্লগা বিল্ডিংদগী থোক্লক্লখি অমসুং ষ্ট্রক্চর অদুগী অমম্বা শরুকশিংদা ক্রেন কয়া শীজিন্নদুনা হিংহৌবা মীশিং থিখি। অৱাংবা ফিজোলশিং শেৎপা মিলিটরি পর্সনেল কয়ানা মখুত্তা অচৌবা বিরচান্দ পায়দুনা নিংখায়বা মফম অদুদা চঙশিন্নখি।

"অহানবা খা-ৱাং চিংলগা নিক্লকখি, মদুদগী থক-খা নিকখি, মদুদগী য়েৎতগী ওয়রোমদা চাউনা নিকখি" হায়না টাইৱানদা লৈবা সেকেন্দ হেন্দ কার য়োনবা লিন বাও-গুইনা ফোঙদোকখি। লন্থী ৱাংমদা মী লৈনবা অৱাংবা বিল্ডিং কমপ্লেক্স অদু চেপথরগা নিংখায়খিবা মতমদা মহাক্কী কারশিংদুসু ফীভম কায়না নিক্লগা য়ৈশিন্নখি।

"অৱাংবা বিল্ডিং অদু নাকলদা তুবগী 'বাং' লাউবা অহৌবা মখোল অমা তাবা মতমদা ঐহাক ফম্মুংদা লৈখি" হায়না মহাক্না হায়খি।

ইমর্জেন্সী রেস্পোন্স সেন্টরনা পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না, পাউ অসি থাবা মতম ফাওবদা পোকপা নুমিৎ ১০নিদা শুরিবা অঙাং অমা, অপীকপা অঙাং অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখ্রে।

টাইৱানিজ ন্যুজ ৱেবসাইট ইটিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা ৱৈ গুৱান বিল্ডিংদগী চিংথোক্তুনা হিংহৌবশিংগী মরক্তা মমা অমগা মচানুপী অমগা য়াওখি অমসুং মচানুপী অদুনা রেস্কু টিমগী মীওইশিং ঙাইবদা মশাগী হক্কী ঈশিং থককি হায়খি।

মেনলেন্দ চাইনাগী মীশিংনসু যুহা হাবদু লমদমদুদসু ফাওই হায়না ফোঙদোক্লখি। টাইৱানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ৱৈ জেননা বিল্ডিং অদু শাবা মতমদা তৌফম থোকপশিং চপ চানা তৌখিব্রা, শাবগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকখিব্রা হায়বগী মতাংদা থিজিল্লগনি হায়খ্রে।

টাইৱানদা যুহা হাবসি তোয়না থোকই, তৌইগুম্বসুং অয়াম্বনা কন্দবা ঙাক্তা ওইবগা লোয়ননা অমাঙ-অতা থোক্কন্দে। অদুবু কুমজা ১৯৯৯দা সেন্ট্রেল টাইৱানদা থোকখিবা অকনবা যুহা হাবা অমদা মীওই ২,৩০০ হেন্না শিখি।

## নোর্থ কোরিয়াগী রোকেট নিংথৌকাবা নুমিৎতা থাগৎলবা য়াই : যু এস ওফিসল



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৬ ঃ

নোর্থ কোরিয়াগী সোহে রোকেট লোঞ্চ সাইটকী সেটলাইটনা লৌবা ইমেজশিংনা রোকেট অমা থাগৎলমদাইগী মাঙজৌননা ফ্যুএল হাপ্পা মানবা এক্টিভিটিশিং উৎলি হায়না যু এসকী থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা ফোঙদোকখ্রে।

যু এস গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা রোকেট থাগৎপদু য়াম্না থুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থাগৎলগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরকখিবগা ইরোয়ননা যু এস থিঙ্ক টেঙ্ককী ৱাফম অসি লাকপনি।

নোর্থ কোরিয়ানা যু এনগী এজেন্সীশিংদা ফেব্রুৱারী ৮ অমসুং ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুমিৎ অমদা আর্থ ওবজার্ভেসন পুবা রোকেট অমা থাগৎকনি হায়না খঙহনখিবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়াগী খোঙথাং অদুবু অশানবা মিসাইলগী চাংয়েংনি হায়না মালেমগী লৈবাকশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা যু এস গভর্ণমেন্টকী সোর্ছশিংনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়ানা যু এসকী সুপর বোল হৌবা নুমিৎ নিংমাইজিংদা মিসাইল থাগৎনবগী শেম-শাবা পূম্নমক লোইশিনবা য়াই হায়না যু এসকী ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা থাজে। যু এসকী নোংমাইজিং নুমিৎ অসি কোরিয়াদদি নিংথৌকাবা তাই। মিসাইল সাইট অদুদা চথুরিবা এক্টিভিটি অদু পিয়োংয়াংনা পীখিবা রোকেট থাগৎপগী মতমদুগা চানৈ হায়না যু এসকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

যু এসকী পেসিফিক কমান্দনা হায়খি, কমান্দ অসিনা লৈরিবা ফীভম অদু কুপ্না মোনিটর তৌরি অমসুং লমদম অদুদা মিসাইল দিফেন্সকী এসেট কয়া লৈ।

"যু এস পেসিফিক কমান্দগী ফোর্সশিংনা অমেরিকান হোমলেন্দবু ঙাক শেনগনি অমসুং ঐখোয়গী মীচংশিং ওইরিবা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানবু দিফেন্দ তৌগনি হায়না পেসিফিক কমান্দগী স্পোক্সমেন ওইরিবা যু এস নেভিগী কেপ্টেন কোদি চিলিজনা হায়খি।

য়ুমশকৈশা অমসুং শগোলশেন নুমিৎতা লৌখিবা কম্মর্সিয়েল সেটলাইটকী ইমেজশিংনা লোঞ্চ পেদ অদুদা টেঙ্কর ট্রকশিং থুংলবগী শক্তমশিং উৎলি হায়না ৱাশিংটনদা বেজ তৌবা ৩৮ নোর্থ হায়বা নোর্থ কোরিয়াবু মোনিটর তৌবা প্রোজেক্ট অমনা ফোঙদোকখি। মফম অদুদা ট্রকশিং লৈরিবা অদুনা রোকেটদুমক্তি নত্তবা বঙ্কৰশিংদা লৈবা টেঙ্কশিং থনহল্লি হায়বা উৎলি হায়না প্রোজেক্ট অদুনা মখা তাখি।

## রশিয়ানা সিরিয়াদা নুপী, অঙাংশিংদা বোম থাদবা লেপকদবনি : জোন কেরি



কলম্বিয়া, ফেব্রুৱারী ০৬ ঃ

রশিয়ানা সিরিয়াদা চথুরিবা বোম্মিং কেম্পেনদা নুপী অমসুং অঙাং মশিং য়াম্না শিরে অদুনা লেপ্পা তাই হায়রদুনা যু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা ঙরাং রশিয়াদা লাল নংলবা লৈবাক অদুদা সিজফয়ার অমা চৎনহন্নবা তকশিনখ্রে।

"রশিয়ানা ঐঙোন্দা সিরিয়াদা সিজফয়ার অমা পুরক্কবা শেম শারে হায়না হকথেংননা খঙহল্লকখ্রে" হায়না কেরিনা পাউমীশিংদা হায়খি। চহী ৫ শুরবা সিরিয়াগী কনফ্লিক্ট অদুবু লৈখায় তাথোক্লবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমদুনা য়ুরোপতা খোঙচৎ অমা চৎলুরবা মতুংদা জোন কেরিনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংখিবনি।

"ইরানিয়নশিংনসু লন্দনদা পুং ৩৬ খক্কী মমাঙদা হৌজিক্তি সিজফয়ার অমা শৌগৎলগনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে" পার্টি খূদিংমক্না কয়াম্না থৱায় য়াওনবগে হায়বদু মথং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা হেন্না ফজনা খঙবা ঙল্লগনি হায়না কেরিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসি ফোঙদোক্ত্রিঙৈ নোংমগী মমাঙদা মহাক্না হায়খিবা অমদা চয়োল অসিদা জিনেভাদা পাঙথোকপা পিছ টোক্স কায়খ্রিবদু রশিয়াদা সিরিয়ন ওপোজিসনগী মায়োক্তা অকনবা বোম্মিং কেম্পেন চথবদগীনি হায়না মরাল শীখি।

"রশিয়ন মিলিটরিনা সিরিয়াগী এয়র কেম্পেনদা শীজিন্নরিবা বোমশিং অসি প্রিসিজন বোমশিং নত্তে, অদুনা মপা চুম্না তাদবদগী নুপী অমসুং অঙাং কয়া মশিং য়াম্না শি হায়না কলম্বিয়ন প্রসিদেন্ট জুৱান মেনুয়েল সন্তোসকা পুন্না পাঙথোকমিন্নবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা মহাক্না হায়খি।

"রশিয়ন প্লেনশিংনা হোস্পিটালশিংসু তার্গেট তৌরি অমসুং অমুক হল্লত্তুনা হান্নগী এয়রষ্ট্রাইক্তা শোকখিবা মীশিং রেস্কু তৌরিবা মীশিংদা বোম থাদে" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

"করম্না সিজফয়ার অমা পুরক্কদগে হায়বগী মতাংদা রশিয়নশিংনা পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা আইদিয়া খরদি পুথোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং চুম্নগী ৱাদমক ঙাংলগা মখা তানা বোম্মিং তৌগদবা ওইরবদি মখোয়গী ৱাফমসি কনামত্তনা য়াবা ঙম্লোই হায়না কেরিনা মখা তাখি।

যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিগী খ্বাইদগী নৌবা ৱাফম অসি সিরিয়ন ক্রাইসিস লোইশিন্নবগী লন্থী অমা পুরক্কবা মতম শাংনা রশিয়াদা কোওপরেসন পীনবা হোৎনরকখিবা অদুদগী খরা থৈদোক্লি।

## পাকিস্তাননা অফঘান গ্রুপশিংবু ৱারী শানবদা য়াওহনবা পামই



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ০৬ ঃ

লালনা শাথিনা অৱাবা চৈথেং নংহল্লবা অফঘানিষ্টানদা মরী লৈবা খূদিংমক্কী মরক্তা শন্তাইনবা অমা পুরক্কবগী রোদমেপ অমা য়াথোক্লবগী পান্দমদা যু এস, চাইনা, পাকিস্তান অমসুং অফঘানিষ্টাননা ইস্লামাবাদতা ৱারী শানবগী অহুমশুবা রাউন্দ হৌথিবগা লোয়ননা পাকিস্তাননা ঙসি অফঘান পিছ দাইলোগতা টালিবান গ্রুপ অয়াম্বা য়াওহন্নবা পুন্না তকশিনমিন্নসি হায়খ্রে।

"ঐখোয়না তাঙ্কক অসিদা পুন্না হোৎনমিন্নরিবসি পিছ টোক্সতা টালিবান গ্রুপ মশিং খ্বাইদগী হেন্না য়াওহন্নবগী পান্দমদনি" হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফকী ফোরন এফেয়র্স এদভাইজর সরতাজ অজিজনা লৈবাক মরিগী মীফম অদুদা হায়খি।

"মসিনা পিছ প্রোসেসতা মপাঙ্গল হাপ্পুনা লালহৌবা গ্রুপশিংদা পোলিটিকেল মেনস্ত্রিমদা লাক্কবগী খুদোংচাবা পীরগনি অমসুং শন্তাইনবা য়াদবশিংগী মরকতা লৈরিবা ৱাখল তানদবসু তপ্ন-তপ্না মাঙহনখিগনি" হায়না মহাক্না হায়খি।

ক্বাদ্রিলেটেরেল কোর্দিনেসন গ্রুপ (ক্যু সি জি) অদু লালনা অমাঙ-অতা থোকহল্লবা অফঘানিষ্টানদা য়াশিন্নবগী প্রোসেস অমা লাক্কবগী পান্দমদা হৌখিবা দিসেম্বর থাদা শেমখিবনি।

গ্রুপ অদুগী থবক অদু ৱাহন্থোক লৈনা খুমাঙ চাউশিনহন্নবগী পান্দমদা কান-কানবা ৱাফম কয়া মীফম অদুনা খন্নগনি হায়না অজিজনা হায়খি। গ্রুপ অদুনা ৱারী শাননবগী রোদমেপ অমা পুথোক্লবসু হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, অফঘানিষ্টান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবান গ্রুপশিংগী মরক্তা পিছ প্রোসেসকী ময়েক শেংবা, অরোংবা ৱাখল চেন্দবা অমসুং থবক পায়খৎপা য়াবা রোদমেপ অমা চঙই অমদি তাঙ্কক খূদিংমক্তা লৈরিবা প্রোগ্রেস খঙদোকপগা লোয়ননা প্রোসেসকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেজশিং খঙদোক্লগা নাখৈ শেংনা পনগদবনি।

মদুনা পার্টি খূদিংমক্না পিছ প্রোসেসতা অচেৎপা কম্মিটমেন্টশিং থমই হায়বগী পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ইঙ্গিৎশিংসু পীগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মীশি-মীনাগী ঈৱাং হায়বসি মরুওইবা শিংনবা অমনি অমসুং মসিবু হন্থহনবা হায়বসি পিছ টোক্সকী মরুওইবা ওবজেক্টিভ ওইগদবনি হায়বা অফঘানিষ্টানগী ৱাখল্লোন অসি পাকিস্তানদসু চপ মান্ননা চেল্লি হায়না অজিজনা মখা তাখি।

## মালেমগী মিলিটেন্ট গ্রুপ ৩৪না ইস্লামিক ষ্টেটকা মীচং ওইনখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, ফেব্রুৱারী ০৬ ঃ

হৌখিবা দিসেম্বর থাখায় ফাওবা য়েংবদা মালেমগী মফম কয়াদা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপ ৩৪না ইস্লামিক ষ্টেট এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপকী মখাদা থবক তৌনবা অচেৎপা ফিরেপশিং লৌনখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা গ্রুপশিংগী মশিং কুমজা ২০১৬তা হেনগৎলক্কনি হায়না যু এন সেক্রেটরি জেনরেল বান কি-মুননা রিপোর্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

যু এনগী মেম্বর ষ্টেট খূদিংমক্না লৈবাক কয়াদা চথোক-চৎশিন তৌবা মতমদা ফিলিপিন্স, য়ুজবেকিষ্টান, পাকিষ্টান, সিরিয়া অমসুং নাইজেরিয়াদা বেজ তৌবা আই এসকা শম্নবা গ্রুপশিংনা এটেক হেন্না চথুরক্কনি হায়বসি খঙনা শেম-শাদুনা লৈগদবনি হায়না বাননা হায়খি।

হন্দক্তা ৱেষ্ট অমসুং নোর্থ অফ্রিকা, মিদ্দল ইষ্ট অমসুং সাউথ এসিয়াদা আই এস আই এলনা ইথিল পীবা হেনগৎলক্লিবসি য়েংদুনা শুপ্নগী থা ১৮ খক্কী মনুংদা পোকহল্লিবা অকিবা অসি কয়াম থুই অমসুংকরম্বা চাংদনো হায়বদু উৎলি হায়না বাননা গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা এব্রিভিয়েসন অমা শীজিন্নরদুনা হায়খি।

মালেমদা মায়োক্নহল্লিবা অকিবা অসিদা হেন্না মথোই হাপচিল্লিবদি আই এসনা মালেমগী খ্বাইদগী মরল লৈবা (ইনাক খুনবা) টেরিষ্ট ওর্গনাইজেসন ওইরকপসিনি হায়না বান কি-মুননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## EMPLOYMENT NEWS

Government of India, Ministry of Home Affairs
**Directorate General, Central Reserve Police Force (CRPF)**
Hq. DG CRPF, Block No. 01, CGO Complex, Lodhi Road, New Delhi - 110003

Online applications in prescribed format are invited from Male/ Female who are ordinarily resident of Delhi, Haryana, Punjab, Himachal Pradesh, Chandigarh (UT), Jammu & Kashmir, Delhi, Haryana, Rajasthan, Bihar, Chattisgarh, Jharkhand, Madhya Pradesh, Odisha, Uttar Pradesh, Uttarakhand, West Bengal for following posts of Constable (Technical / Tradesmen) :

- **Constable** : 26 posts in various trades for candidate from Delhi
- **Constable** : 26 posts in various trades for candidate from Haryana
- **Constable** : 69 posts in various trades for candidate from Punjab
- **Constable** : 14 posts in various trades for candidate from Himachal Pradesh
- **Constable** : 03 posts in various trades for candidate from Chandigarh
- **Constable** : 14 posts in various trades for candidate from Jammu region of J&K
- **Constable** : 24 posts in various trades for candidate from Himachal Pradesh
- **Constable** : 37 posts in various trades for candidate from Kashmir valley of J&K
- **Constable** : 60 posts in various trades for candidate from Rajasthan
- **Constable** : 103 posts in various trades for candidate from Bihar
- **Constable** : 52 posts in various trades for candidate from Chhattisgarh
- **Constable** : 61 posts in various trades for candidate from Jharkhand
- **Constable** : 62 posts in various trades for candidate from Madhya Pradesh
- **Constable** : 37 posts in various trades for candidate from Odisha
- **Constable** : 13 posts in various trades for candidate from Uttarakhand
- **Constable** : 163 posts in various trades for candidate from Uttar Pradesh
- **Constable** : 99 posts in various trades for candidate from West Bengal

Pay Scale : Rs. 5200 - 20200 grade pay Rs. 2000/-
Age : 21-27 / 18-23 years as on 01/01/2016.
Qualification : Matriculate / 10th.
**Application Fee** : Application fee of Rs. 50/- to be paid either online or by challan in any branch of SBI. No application fee is required to be paid by SC/ST candidates, Ex-Servicemen and Female candidates.

**How to Apply** : Apply Online at CRPF website on or before **10/03/2016** only.

For complete detail of the advertisement for information like selection process, eligibility criteria, how to apply **online** and Application Form, please visit **http://crpf.nic.in/rec/recruitment.htm**

**Indian Agricultural Research Institute (IARI)**
(Indian Council of Agriculture Research - ICAR)
Pusa, New Delhi - 110012 Published by

Online applications are invited for filling up the following posts of **Lower Division Clerk (LDC)** under Direct Recruitment Quota at ICAR-IARI, New Delhi and its Regional Stations / Research Centres under the administrative control of Indian Council of Agricultural Research (ICAR) :

- **Lower Division Clerk (LDC)** : 21 posts, Pay Scale : PB-I Rs. 5200 – 20200 plus Rs. 1900 Grade Pay, Age : 18-27 years as on 01/01/2016.

**Application Fee** : Rs.250/- (SC/ST/Women/PwD/Ex--servicemen are exempted from fee) to be paid by Demand Draft /Pay Order favouring Director, Indian Agricultural Research Institute, New Delhi payable at IARI, New Delhi.

How to Apply : Apply Online IARI website from **05/02/2016 to 04/03/2016** only. Print out and demand draft should be send by Speed Post / Registered Post to **The Senior Admn. Officer (Recruitment Cell), Room No.13, Director's Office, ICAR - Indian Agricultural Research Institute, Pusa Campus, New Delhi – 110012 (India).**

Please visit **http://iari.res.in/rec_cell/recruitmentcell/home.php** for details and online submission of application.

**Central Council for Research in Ayurvedic Sciences (CCRAS)**
Jawahar Lal Nehru Bhritya Chikitsa Evam Homeopathy Anusandhan Bhawan,
No. 61-65, Institutional Area, Opp. D Block, Janakpuri, New Delhi-110058

Central Council for Research in Ayurvedic Sciences CCRAS), an autonomous organization, Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India invites online applications for following posts of Research Officers :

1. **Research Officer (Ayurveda)** : 101 posts
2. **Research Officer (Homeopath)** : 01 post
3. **Research Officer (Pathology)** : 22 posts
4. **Research Officer (Bio-Chemistry)** : 10 posts
5. **Research Officer (Medicine)** : 06 posts
6. **Research Officer (Pharmacognogy)** : 03 posts
7. **Research Officer (Chemistry)** : 06 posts
8. **Research Officer (Pharmacology)** : 04 posts
9. **Research Officer (Publication)** : 01 post
10. **Statistical Officer** : 01 post

**Pay Scale** : Rs. 15600 - 39100 + Grade Pay Rs.5400/-

**Application Fee :** Rs.1500/- (No fee for SC/ST/PH/Women) to be paid in SBI by payment challan.

How to Apply : Apply Online at CCRAS website http://ccras.nic.in from **06/02/2016 to 05/03/2016** only.
Please view **http://ccras.nic.in/Advt/recruitment/Advt_Recruitment_RO_SO_04_02_2016.pdf** for details.

Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.
PHICOMM
((· YOUR PORTAL TO SMART LIFE ·))
Launching
Phicomm Clue 630



4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.
4G
Only at Rs. 5699/-
* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)
2300mAh
HL-B/2895/13/01-12/02

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X (Starts on 7th January 2016)
BOARDING FOR CATHOLIC SCHOOLS, HERITAGE, IBOTONSANA, T.G., REGULAR, IPS, STANDARD ROBERT, ETC.
FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS
Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.




HL-B/2893/12/01-10/03(Alt)
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV
:-9856988840 / 9863265726
9863222153